থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কনানসু লৌবীরোইদবা পাউজেল অমা

নাক -য়েৎ, মাঙ-তুং থোক্লিবা থৌদোক, তারিবা ৱাথোক ময়ামসিনা পূক্লিং ৱাখল অসিবু লাঙ্গোয় চন্দুনা ফনা কুইনা লৈরুরে। ফকচিন্দুনা ফমজিনখ্রবরা খল্লুরে। করিমত্তা হৈনিংলুদ্রে। করিমত্তা খঙনিংলুদ্রে। কনামত্তা উনিংলুদ্রে। ৱারী শানিংলুদরে। থোক্লিবসি করিনো? উরিবসিনা করিনো? চাউখৎপা লমদম হায়বদুবু অসুম তৌরমগদরা? অসুম খল্লকখিবনি। চাউখৎপা লমদা লৈবা ফংলক্তবনা, লমদমদুগী মীয়ামগুম ৱাখল খল্লু হায়বদুদি য়াররোই। খঙই ঐ-ঐগী ৱাখল অসিসু চাউখৎপা মীগী ৱাখল নত্তে। ঐখোয়গী ৱাখলনা চাউখৎলল্লবা, ঈরৈবাক ঈরমদম অসিসু নহান্না চাউখৎপা লমদম ওইরল্লনি। ঐ চাউখৎপা মী নত্তে। অদুনা ঐ চাউখৎপা মীগা তীন্নদে। ঐগী মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা, খঙনা চান্নবা-চাউখৎতবা মী ঙাক্তনি। মখোয়না চাউখৎপা-অফবা মী ওইরল্লবা, ঐসু শুকশোয় শোয়দনা চাউখৎপা মী, অফবা মী ওইরম্লি।

ফমজিনখ্রবা ৱাখলসি, নিংথম-থাগী ঈংলবা উনা পুবা নুংশিৎসিনা শৌদোকহল্লকপদা ঙসিদি ঐ চাউখৎপা মী ওইনিংলক্লে, অফবা মী ওইনিংলক্লে। মসিবু হেক ওইথোক্কদ্রা? ঐনা ওইনিংবা মীসিবু হেক্তা ওইবা য়াবরা? ঐসিবু কনানো? ঐসিবু, ওইফম থোকপা ঐ'দুরা ঙসি ওইদুনা লৈরম্লিবা? ঐ চমম্নে- ঙসি ঐনা ওইরিবা 'ঐ' সিবু কনানা ওইহল্লকপনো? ঐ অচৌবা ওফিসর অমনি- আই এ এস'নি/কম্মিস্নারনি/সেক্রেটরিনি/দাইরেক্টরনি... ঐ চীফ মিনিষ্টরনি/কেবিনেট মিনিষ্টর অমনি/এম পিনি/এম এল এ'নি... ঐহাক ইনাক খুনবনি, কম্পেনি অমই মপুনি... অসিনচিংবা নাপন অমগা লোয়ননা হিংনরিবা মীওইবনি। অসিগুম্বা নাপন (ইগো) অসি লৌথোকখ্রবা, মী ওইদে মীওইবা! অদুগুম্বা নাপনগী মায়খুম অমা কুপ্তনা হিংবা ঙমদবা মহাক্তুদি মী নত্তে। উম! ঐনা মী ওইদ্রিবসি অদুগুম্বা ইগো'গী মায়খুম অমা উপ্পা ঙল্লুদবা অদুনা ওইবা তাই।

অদুগা, নঙ-ঐ-মহাক... মশক নাইবা মায়খুম উপ্পা ঙমখিদবা ঐখোয় পুম্নমক্তসু অতোপ্পা মায়খুম অমা কুপশিল্লকই। ইমাগী শিয়োমনুংদগী তাইবংসিদা খোঙদারকপা নুমীৎতুদা ঐখোয় কনাসু করিগুম্বা মিং অমত্তা লোয়নদুনা লাকখিদে। মীকুপ্তুদা কুপশিল্লকই অহানবা মায়খুম- করি লমদা পোকপনো? করম্বা য়ুম্নাক শাগৈদা তিল্লরবনো? মথংদা হাপচিল্লক্কনি- নীংথিরবা মিং অমা। নুমীৎতুদই নঙসু, ঐসু, মহাকসু মিং অদু ওইখ্রনি। ঐহাক পোল্লকপা মতমদা করিগুম্বা মখলগী লৌশিং অমত্তসু লোয়নরকখিদে, লোন অমত্তসু লোনলকখিদে। তপ্না তপ্না চাউখৎলক, লোয়নবশিংনা তম্বীরকই লোন অমা। লোন'দুগা ঈরোয়ননা হাপচিল্লকই লৌশিং পুক্কে। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা থাদুনা থাক থাক তাঙ্কক নাইনা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং হাপচিল্লকই- হাপচিল্লীমখৈ চল্লবা, থনবা নাইদ্রবা মীওইবগী কোকসিদা। হাপচিনখ্রিবা লৌশিংগী পুক্কে অদুনা মীওইববু মী মখল কয়া থোক্না শেমদোরকই- ডোক্তর, এঞ্জিনিয়ার, সাইন্টিষ্ট, প্রোফেসর, পোলিটিসিয়ন, থীকাদার, বিজিনেসমেন। মশাদা য়াওরিবা লৌশিং অদু মশাগীনি খন্দুনা ঐ ডোক্তরনি/এঞ্জিনিয়রনি/পোলিটিসিয়ননি/মিনিষ্টরনি হায়বা ইগোগী অতোপ্পা মায়খুম অমনা কুপশিল্লকই।



পুম্নমকসিগী মথক্তা ঐ হিন্দুনি/খৃষ্টিয়ননি/মুসলমাননি হায়বা কান্নদবা নাপন অমা হাপচিল্লকখিবা অসিনি খ্বাইদই হেন্না তমথীবা মীওইবগী মতৌ। মহাক্কী অমত্তসু নত্তবা পোৎ ময়াম অমা লৌশিল্লগা, মহাক্কীনি খন্দুনা চাউথোকচরিবা মীওইবগী মতৌ উরগা, ধর্মগী হৌরকফম ওইবা, মরুওইবা মীশক খরদুগী মনুংদা অমনি লৌনরিবা গোরখনাথ'না ৱাজখি। হায়খি- 'অদুগুম্বা নাপন'দু হাৎতোকউ'। মহাক্না হায়... নঙনা ঙসি ওইরিবা লৌশিংদুনা ওইহল্লকপনি, নঙন ঙসি খল্লিবা লৌশিংদুনা খনহল্লকপনি... পুম্নমকসিগী হৌরকফম, নঙগী লৌশিং অদুনি'...।

মতাংসিদনি, ৱাফম অসি লুশিল্লক্লিবা। ঐনা খল্লি, ঐগী কোক'তা য়াওরিবা লৌশিং পুম্বা ঐগীনি। গোরখনাথ'না হায়, পুম্নমক অমত্তা নত্তে নহাক্কী। মিংদুসু নঙগী নত্তে, অতোপ্পনা থোনবীবনি। নঙোন্দা লৈরিবা লৌশিং পুম্বসু অতোপ্পদই পুবনি। অতোপ্পা কনানা হায়রম্বা, ঙাঙলম্বা, ইরম্বদু নঙনা মতৌ তম্বনি, নঙগী শান ঙাঙবনি। অতোপ্পদই পুরুবনি, অশেংবা নঙগী লৌশিং নত্তে। ৱারী লাইরিক্তা ইরম্বা, ইপা-ইপুশিংনা থল্লম্বদু পারুরগা, খঙলুরগা ঐগী ওইরবোই নীংবনি, ঐগী ওইবা অশেংবা ইরল অমত্তা নত্তে। মাগী ৱাহৈশিং অসিনা ঐহাকপু অহিং কয়া তূমহনখিদে। ৱাখল ঈপাক্তা লম্মুক্ত হনখি। ইশাগী অমত্তা য়াওদবা, অতোপ্পদই পুরুবা ইরল-ইথুমশিং অসিবু ঐহাক্কীনি খন্দুনা নাপন ৱাংথোইনরিবা ঐহাকসে কয়াদা পঙনা হিংলমখ্রবা! 'নঙ ডোক্তরনি, এঞ্জিনিয়রনি, মিনিষ্টরনি'... অতোপ্পনা (য়ুনিভর্সিটি অমনা) হায়বনি, নঙনা য়াথোক্লুবনি। মশক-ফজবী শকহেনবী অমদা 'ফজবগী লাইরেম্বী' (বিউটি ক্বীন) দুনহাক্লি লাউথোক্লুবদা মহাক্না হরাওজবদুগা করিদবু খেন্নবগে?

মীওইবগী মশাদা য়াওফম থোকপা (মশাগী) মতিক মগুন, 'পর্সোনেলিটি' অদু মশানা শেমগৎচরকপা নত্তবা অতোপ্পনা শেম্বীরবা, অতোপ্পনা শঙবীবা (তৈশিনবা) মচু অদুনা মশাগী মচু ওইরবা... করম্বা মীকুপ, করম্বা নুমীৎ থাদনো মশাবু মশক খঙজরক্কদবা! মরম অদুনা, গোরখনা হায়... 'অৱায়বা পুন্সি অমা শাগোন্নদৌ লৈরবা, পুন্সিদুদা অতোপ্পদই পুরুবা ৱাখল লৌশিংনা মচু শঙবা পুন্সি অমা হিংদৌ শরুক, শিদোকখো! ... নশাদা য়াওরিবা, নহাক নত্তবা, অতোপ্পদই ৱায়রুবা/পুরুবা মতৌ অদু হাৎতোকখো, অদুগা হিংঙু, নহাক্কী ওইজবা অশেংবা পুন্সি অদু শাগোন্নদুনা'...।

পাউদম অসি পাবীরিবা মরুপ-মপাং, ইচন-ইনাওশিং! ৱাফম অসি তাবদা লুনা থোকপরা? শিজখো! হাৎতোকখো! হায়রগা পুন্সি অদু লোইশিনজখো হায়বা নত্তে। অথিবা অমসুং ফজবা, অচুম্বা অমসুং অরানবা- মীওইবা খুদিংমক্তা মতম চুপ্পা লোৎতুনা লৈজবা মতৌনি। ওইদবা, অরানবা ইগোগী মায়খুম অমনা কুপশিনবা পুন্সিগী মতৌ অদু লোইশিন্দুনা ইশাদা লোৎলিবা অচুম্বদু থিবই থবক অদুবুনি গোরখনাথ'না পামজখিবা। অদুবু অৱাবনি! মাগী ৱাহৈ অদু নীংশিংবদি থমখিসি, মহাক অমা হিংলম্মী হায়বদুফাও কনামত্তনা খঙবীদে। মহাক কদায়দা পোকখি, কৈদৌঙৈ শিখি, কনানসু খঙদে। হিংলম্মী হায়বদু ফাওবদি খঙই কাঙলুপ খরনা।

লৌশিং পুক্কে

# সেকেন্দহেন্দ স্মোক নৎত্রগা ইনভাইরনমেন্টেল টোবেকো স্মোক

ইনভাইরনমেন্টেল টোবেকো স্মোক (ঈ টি এস) হায়নসু খঙনবা সেকেন্দহেন্দ স্মোক হায়বসি চুরুট মৈ চাকপদগী থোরকপা মৈখু মখল অনীনা পুল্লগা ওইরকপনি।



মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমনা কামথোরকপা মৈখুবু মেনষ্ট্রিম স্মোক কৌই। সাইদষ্ট্রিম স্মোক হায়বসিনা অচাকপা চুরুট, পাইপ, সিগর নৎত্রগা হূকাদা য়াওবা হীদাক মনা মৈ চাকপদগী কারকপা মৈখু অদুনি। সেকেন্দহেন্দ স্মোকতা মেনষ্ট্রিম স্মোক অমসুং সাইদষ্ট্রিম স্মোক অনীমক য়াওই।

সাইদষ্ট্রিম স্মোকতা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা পোৎলম (কর্সিনোজেন) সেলশিংদা চঙখ্রগা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমা মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈরবদি ইনভোলন্টরি স্মোকিং নৎত্রগা পেসিভ স্মোকিং হায়না খঙনৈ।

মৈখু শীজিন্নদ্রবসু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈরবদি নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা নিকোটিন অমসুং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওখি। সেকেন্দহেন্দ স্মোকতা তোঙান-তোঙানবা কেমিকেল ৭,০০০ হেন্না য়াওই। মদুগী মনুংদা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা কেমিকেল ৭০ রোম য়াওই হায়রি। মপুন্সিদা মৈখু শীজিন্নরক্তবা মীওই কয়া সেকেন্দহেন্দ স্মোক্না মরম ওইরগা লংস কেন্সর নাবা য়াওরি। লেরিঙ্কস (ভোই বোক্স), ফেরিঙ্কস (খনাউ), নেজেল সাইন্নস, ব্রেন, ব্লেদর, রেক্টম, চাকখাউ অমদি ব্রেষ্টতা কেন্সর ওইহল্লকপসু য়াই। চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা লিম্ফোমা, ল্যুকেমিয়া, লিভর কেন্সর অমসুং ব্রেন ট্যুমর ওইহল্লকপা য়াই হায়রি। সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা অতৈ অতোপ্পা হীরমদসু খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই। খুদম ওইনা হার্ট অমদি ঈ উতোংদা অকায়বা থোকহল্লক্তুনা মৈখু শীজিন্নদবা মীওইশিংদা হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লি। সেকেন্দহেন্দ স্মোক্না পুক্লিং ৱাখলগী ফীভমদা অহোংবা থোকহল্লকপদগী দিপ্রেসন ওইহল্লকই হায়না ষ্টদি খরগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। পীক্লিবা অঙাংশিংদি কা-হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। মমা-মপানা ইমুংদা মৈখু শীজিন্নরবদি পীক্লিবা মচাদা সেকেন্দহেন্দ স্মোক্না কা-হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই।

ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মমা-মপা মৈখু শীজিন্নবা অঙাংশিং তোয়না নাগল্লি; ব্রোঙ্কাইটিস নৎত্রগা ন্যুমোনিয়াগুম্বা লংস ইনফেক্সন তৌগল্লি; তোয়না লোক খুবা; নিংশা শ্বর হোনবদা মখোল থোকই; চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদে অমসুং নাকোং লাইখুন তৌগল্লি। মমা-মপানা মৈখু শীজিন্নরগা মরাল লৈজদবা অঙাং কয়া অজমা নাবা য়াওরিবনি।

অঙাং মশা ঙল্লক্রুবদি দোক্টর য়েংবা অমসুং হীদাক লাংথক লৈবদা য়ান্নবা শেনফম অমা অরেম্বদা চাদিং তৌবগা লোয়ননা মহৈ-মশিন তম্বদা অকায়বা থোরকই। মমা-মপাসু অনাবা মচা শেন্নদুনা ময়ুমদগী চখোকপা ঙমদবা মরম্না থবক-ইনখাং চৎপা, শেল তানবদা অকায়বা থোকহল্লি। পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংদি সেকেন্দহেন্দ স্মোকনা মরম ওইরগা সদন ইনফেন্ট দেঠ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস) অমসুং অতৈ কা-হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা প্রোব্লেমশিং মায়োক্নহল্লকপা য়াই।

মপুন্সিগী মৈখু শীজিন্নরক্লিবা মীওই কয়া থবক মফম, পব্লিক প্লেস, য়ুম অমদি গাড়ী মনুংদা সেকেন্দহেন্দ স্মোককী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। ওক্যুপেস্নেল সেফটি এন্দ হেল্ঠ এদমিনিষ্ট্রেসন (ও এস ঐচ এ) অমসুং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর ওক্যুপেস্নেল সেফটি এন্দ হেল্ঠ (এন আই ও এস ঐচ) না য়ারিবমখৈ থবক মফমদা মৈখু শীজিন্নহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না রেক্কমেন্দ তৌরি।

রেষ্টোরেন্ট, শোপ্পিং সেন্টর, পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন, পার্ক অমদি স্কুলগুম্বা মীয়াম তিনবা মফমদা কনামত্তনা মৈখু শীজিন্নবা থিংবা ঙমদবনিনা নুপী-অঙাং অমদি মপুন্সিগী মৈখু শীজিন্নরক্তবা মীওই কয়া সেকেন্দহেন্দ স্মোকিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে। ইমুং অমদা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমা য়াওবা মতমদা লৈমিন্নরিবা ইমুংগী অতৈ মীওইশিংদা সেকেন্দহেন্দ স্মোকিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্নহনবা মরম্না য়ারিবমখৈ ইমুংদা চুরুট থক্লোইদবনি। মদুনা নুংশিরবা ইমুংগী নুপী-অঙাং অমদি হূই-হৌদোংশিং খুদোংথীবদগী কনবা ঙমগনি। গাড়ী মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মৈখু শীজিন্নরক্লবদি তোংমিন্নরিবা অতৈ মীওই খুদিংমক সেকেন্দহেন্দ স্মোককী খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লি। থোঙনাউ হাংদোকপগা লোয়ননা এরয় কন্দিস্নর থারবসু খুদোংথীনিংঙাই ওইবগী চাং হন্থহনবা ঙমদে।

হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবদি সেকেন্দহেন্দ টোবেকো স্মোকতা য়াওরকপা অকূপ-অকূপ্পা পার্টিকল-শিংনা উফুল অমদি লৈমায়দা পক্তুনা লৈখ্রগা মীওইবদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াবগী মতাংদনি। থৌওং অসিবু থর্দ হেন্দ স্মোক (টি ঐচ এস) নৎত্রগা রেসিদ্যুএল টোবেকো স্মোক (আর টি এস) হায়না খঙনৈ। চুরুটকী মৈখুদা য়াওরকপা পার্টিকলশিংনা নুংশিৎতা য়াওবা গ্যাসতা তিনখ্রগা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা কম্পাউন্দ অমা ওইরকই। হায়রিবা কম্পাউন্দ অদু উফুল অমসুং লৈমায়দা তিনখ্রবা মতুংদা মৈখু শীজিন্নবা-শীজিন্নদবা থিদনা মীপুম খুদিংমক কেন্সর নাহল্লকপা য়াই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদদি থবক মফম অমদি পব্লিক প্লেসতা মৈখু শীজিন্নবা থিংলে। থিংবা-থিংদবগী ৱাফমনা তোঙান্না থমখ্রগা ইশা-ইশানা নুংশিরবা নুপী-অঙাংগীদমক খল্লগা ইমুংদা অমসুং মীয়াম তিনবা মফমদা মৈখু শীজিন্নফম থোক্তে।

# এন ঈ আই দি পি হুন্নবা লাওনবা লাকপা নত্তে, মীয়ামগী অফবা তৌনবা লাকপা পার্টিনি: ও মালেস



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) পার্টি অমগা অমগা হুন্নবা, লাওনবা লাকপা নত্তে, মীয়ামগী অফবা তৌনবা লাকপা পার্টিনি হায়না নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী মীরেপ ওইখিবা পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনাম মালেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ২১-নাওরিয়া পাখঙলাকপা কন্সটিট্যুয়েন্সি লেবেল কম্মিটিনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়দা পাঙথোকপা পার্টি অসিগী কেন্দ্র লেবেল লিদটর্স মীটকী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পার্টি অসিগী লুচিং পুরেল অসিনা মণিপুরদা ফেক্তরি, ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎতুনা লমদম অসিগী মীওই ৩০০০ হেন্না থবক পীরিবসি ঙসিগী বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেসনা ঙল্লোই। লোয়ননা পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিগী মফম মফম খুদিংদা কেম্প্যেন তৌরিবসি পুম্নমক্না ৱাখল তামিন্নরগা হিংনবগী লম্বী থিমিন্ননবগী পান্দমদনি।

লুচিং পুরেল অসিগী মখাদা হিয়াংথাংদা ফারমর্স ক্লব শেমদুনা লাইহরিক লাইশু হৈরবা নহা ২৬/২৭ রোম্না লৌ শঙম ২০ গী মথক্তা হঙ্গাম মরু হুলহন্দুনা ৱার্ক কলচর তৌরি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী অসিগী ফেব্রুয়ারি নৎত্রগা মার্চতগী লায়েংবদা কান্নবা অতাংবা মখলগী চেঙ্গুম মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংদা থাহন্নবা পান্দম থল্লি। লাক্কদৌরিবা ২০২২ গী এসেমব্লী ইলেক্সনদা এন ঈ আই দি পিনা মীরেপ ১০ হেন্না কারবদি য়ুমথোং খুদিংগী মীওই অমমম শুংশোয় শোয়দনা থবক অমমম পীবা ঙমগনি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী পোল্লিং অমদা মী ১০ দগী তাদনা লৈবা কম্মিটি অমমম শেম্নবদি ইলেক্সন শোয়দনা মায় পাক্কনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মায় পাক্তুনা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সী অসি চাউখৎপা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমা ওইহনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টি অসিগী সী দব্লিউ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই ব্রোজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ইরমদম অসিদগী হৌরকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা খেন্নবা য়াম্না লৈ। ষ্টেট অমদা চাউখৎ থৌরাংগীথবক অমা পায়খৎপা মতমদা রিজনেল পার্টি ওইরবদি সেন্তরদগী অয়াবা লৌই। অদুবু সেন্তরনদি ঐখোয়গী অৱাৎপা, শোত্থরিবা অসি করিনো হায়বদু খঙবা নত্তে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পোলিটিক্স হায়বসি অওইবা ঙাংগদবনি। হায়খিবা ৱা থবক ওইনা ওন্থোকপা হায়বা ৱাখল্লোনদা পার্টি অসিনা চঙশিল্লকপনি। পার্টি অসিগী তুংগী অশানবা মীৎয়েং লৈ। ভোট কাবা কাদবা থিদনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনগনি। ভোট কারগসু তুংগী অশানবা মীৎয়েং লৈতবা পার্টি অমনা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা থবক খক তৌরোই। পার্টি অসি হৌজিক নৌরিবনি। পার্টি অসিগী মশক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙখিরোই। মতম খরা মীয়ামগা চৎমিন্নসি। মতমদুদা পার্টি অসিগী অশেংবা মশক খঙলক্কনি। মীয়ামগী নিংবা থুংনবা শোয়দনা হোৎনগনি। লমদম অসিদগী চাউজবা পার্টি অসিনা মণিপুর খক নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা অচৌবা থৌরাং লৌখৎলকপদু ঙাইমিন্নসি হায়খি।

## লোট্টরিজ হাংবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০: মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ লোট্টরিজ হাংবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

ফাইনান্সকী অন্দর সেক্রেটরি ভারেক্রুং খোংরৈঙমনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিগী ফম ১৪ শেম্বগা লোয়ননা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিব কন্ট্রোল মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ লোট্টরিজ হাংদোক্নবা খঙহনখ্রে। দিরেক্টোরেট ওফ লোট্টরিজগী থবক থৌরমশিং হৌহন্নবা নৌনা শেমখিবা ফম ১২ অদুদি দিরেক্টর ১, জোইন্ট দিরেক্টর ১, ফাইনান্স ওফিসর ১, ইন্সপেক্টর (লোট্টরি) ২, আই টি প্রোফেসনেল ১, একাউন্টেন্ট ১, ওফিস এসিষ্টেন্ট ১, পিওন ৩, দ্রাইভর ১ অমসুং চৌকিদার কম স্বীপর ১ নি। দিরেক্টরগী ফম অসি আই এ এস ওফিসর অমনা থৌ পুগদবা ফম ওইগনি। জোইন্ট দিরেক্টরনা এম সী এস ওফিসর অমনা অমসুং ফাইনান্স ওফিসরনা এম এফ এস ওফিসর অমনা পুগদবা ফম ওইগনি হায়রি।



HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)




